পার্লিয়ামেন্ট ...

লামায় ১গী মখা... পার্লিয়ামেন্টকী মুন্সুন সেসন অসিদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মীয়াম মরু ওইনা ৱিকর সেক্সনশিংগী মনুং চল্লিবা লৌমীশিং, সেদ্যুল্ড ত্রাইব, সেদ্যুল্ড কাষ্ট অমসুং ও বি সীনচিংবশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা কান্নবা পীগদবা মরু ওইবা বিলশিং ইন্ত্রোদ্যুস তৌনবা হোৎনরকপদা ওপোজিসনগী মায়কৈদগী অপানননা মসিদা য়েৎখায় থিনগাইবা পীদুনা অয়েৎপা পীননবা হোৎনরকপনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা পাঙথোকখিবা মহাক্কী কেবিনেট রিসফলদা নুপীশিং, ও বি সী, সেদ্যুল্ড কাষ্ট, মাইনোরিটিশিং অমসুং নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদা প্রাইওরিটি পীখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মরু ওইবা বিলশিং অসিবু মহাক্কী অনৌবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংদা ইন্ত্রোদ্যুস তৌনবা হোৎনরকপগী প্রোসিদিংদা ওপোজিসনননা অয়েৎপা পীরকখিবা অসি তশেংনমক লাইবক থীবনি হায়খি। করিগীদমক্তা পেগাসস লিকশিংগী রিপোর্টকী মতাংদা হান্ননা পুথোরক্ত্রগা হৌজিক্তা পার্লিয়ামেন্টকী মোন্সুন সেসন হৌগদবা নোংমতা ঙাইরবা মতমদা পুথোরক্লিবা করিগীনো হায়নসু হংখি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগীদমক য়াইফগদবা বিলশিং পুথোক্লবা হোৎনরে খঙবদগী থৌওইনা মীওই খরনা অখন্ননা প্লান তৌদুনা অপনবা পীননবা হোৎনরব্রা হায়নসু চিংনহল্লে হায়রি। ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা পূন্নমক্তা বিলশিং অসি অয়েৎ অপন য়াওদনা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌনবগী থবক নিংথিজনা চথবদা মতেং পাংবীনবা অপীলসু তৌখি।

রাজ ভবনগী পোষ্ট...

লামায় ১গী মখা... পোষ্টশিং অসিগীদমক রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসন পাঙথোক্কনি হায়রি।

পোষ্টশিং অসিগীদমক এপ্লাই তৌনীংবশিংনা মথং থাগী ১০ ফাওবগী মনুংদা মখোয়গী মমিংশিং এমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জশিংনা স্পোন্সর তৌহল্লক্কদবনি। মসিগী মতুংদা স্পোন্সর তৌরক্লবা মীওইশিংনা রাজ ভবনগী ৱেবসাইট www.rajbhavanmanipur.nic.in দগী নৎত্রগা রাজ ভবনগী সেক্রেটেরিএটতগী ওরিজিনেল একচেঞ্জ কার্দ পুরক্লগা লৌরবা য়াগনি হায়রি। অদুগা মেনশিল্লবা ফোর্মশিং অদুনা সেল্ফ এটেষ্টেদ সর্টিফিকেট দোক্যুমেন্ট, মার্কশিটনচিংবগা লোয়ননা ওগষ্ট ১০, ২০২১ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.931995
US Dollar	74.634428
British Pound	101.603495
Australian Dollar	54.623527
Chinese Yuan Renminbi	11.519722
Japanese Yen	0.681455
Malaysian Ringgit	17.665256
Singapore Dollar	54.542288
South Korean Won	0.064972
Saudi Arabian Riyal	19.902514
Thai Baht	2.274416

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47909.00
Mumbai	–	Rs	48140.00
Delhi	–	Rs	48106.00
Kolkata	–	Rs	48565.00

GAS NEWS

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :-06/07/2021
Valid from :- 11/06/2021
Stock :- 295
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-11 AM and 2pm -4pm (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry
POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT:
Booking up to 26/04/21
Valid from 23/04/21.
#Every refill will be home delivered, pls contact 9366184547 for home delivery during 8AM to 10AM.
#For queries during office hours: 9362661205
#For phone booking send SMS (Consumer ID & Name) to 7640848814.
KHORIPHABA NAMBOL
Bk.upto 30-06-21
(sl.upto48271)
Home delivery contact no:9366471778, 8974087390, 8787632782
TANGLEI GAS OINAM
V/f- 29-06-21
B/upto - 02-07-21
Stock 306
7am to 10am
TDK GAS
BK. UPTO 31/05/21.
VF.29/05/21.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353, 8731992324.
TIMING 9:00AM TO 3:00PM.
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00noon
BOOKING : 10. 07.21
VALID : 28.06.21
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156(SMS/WHATSAPP)
7085198900(ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 to 5 days

এম্বুলেন্স থারগা পোৎচৈ পুরম্বা ভেন ১ চুরাচন্দপুর পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : হৌজিক কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ থেংননবা লৈঙাক্লা কন্টেনমেন্ট জোন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা লাউথোক্তুনা য়ুমদগী মপান থোক্তনবা লৈরিবা চৈরক অসিদা মীওই খরনা মারুতি ভেন অমদি অল্টো কারনচিংবদা এম্বুলেন্সকী ষ্টিকর নপশিল্লগা লনাইগী পোৎচৈ পুথোক-পুশিন তৌরম্বা গাড়ি খরা চুরাচান্দপুর পুলিসনা ফারে হায়রি।

গাড়ি দ্রাইভরশিং অদুনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা মরক অসিদা ইম্ফাল টিদিম লম্বী অমদি চুরচান্দপুর টাউন মনুংদা গাড়িদা এম্বুলেন্সকী ষ্টিকর নপশিল্লগা হোস্পিটালগী পোৎ পুথোক-পুশিন পুবা শাশিন্নরগা লনাইগী পোৎচৈ পুথোক-পুশিন তৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী চুরাচান্দপুর পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অচৎ-অওক চেক তৌবদা গাড়ি অহুম অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি। লোয়ননা গাড়িশিং অদুদা নপলম্বা এম্বুলেন্স থাবা ষ্টিকরশিং অদু লৌথোকখ্রে হায়রি।

ওল ইন্দিয়া এগজামিনেসনশিংগীদি কোমথোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দি সীনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না টাটা কন্সলটেন্সি সর্ভিসেসনা ওর্গনাইজ তৌদুনা ওনলাইনদা পাঙথোক্কদৌরিবা এন টি এ/জে ঈ ঈ (মেন্স) পেপর-১ অমসুং এ আই আই এম এস - ন্যু দেল্লী আই এল আই সী ঈ টি এগজামিনেসনশিংগীদি মসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংনা কর্ফিয়ু পাসকা লোয়ননা মখোয়গী এদমিট কার্দশিং পুথোক্লবা মতুংদা অথিংবা অসিদগী কোমথোক্কনি হায়রি। হায়রিবা ওনলাইন এগজামিনেসনশিং অসি ঙসি, থা অসিগী ২২, ২৫ অমসুং ২৭তা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

পল্লেলদা গো গ্রীনগী থবক হৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচ এন এস) : চান্দেল বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা ইন্সপেক্টর জেনরেল অসাম রাইফলস (আই জি এ আর - সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা পল্লেলদা ‘গো গ্রীন ইনিসিএটিভ’ প্রেমোট তৌনবগীদমক উ-চারাশিং থাখ্রে হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ঙসি পাঙথোকখিবা মফম অসিগী প্লান্টেসন দ্রাইভ অদু গ্লোবেল ৱার্মিং কন্ত্রোল তৌনবা অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা পোল্যুসন ফ্রী ওইহন্নবগা লোয়ননা ইনভাইরনমেন্টবু লূনা-নান্না থম্বগী মরু ওইবশিংগী মতাংদা এৱ্যের্নেস পীনবগীদমক পাঙথোকপনি হায়রি।

পুলিসনা ফাগৎখিবা হারশিং এম আর পিগী মমলদা য়োন্নবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমদা ঙরাং খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন চার্জ ইন্সপেক্টর কে সন্তোসনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা সবমিট তৌরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না সত্রাম লমখাইগী মফম অমদগী অহেনবা মমলদা মীয়ামদা হারশিং য়োন্থোক্লম্বগী চার্জদা ফাগৎলকখিবা তোঙান তোঙানবা মখলগী হারশিং অদু মসিগী এম আর পিগী রেটতা পুলিসকী মতেং লৌদুনা মীয়ামদা য়োন্থোক্লনবা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, থৌবালদা দিরেক্সন পীখ্রে।

হারশিং অদু য়োল্লম্মী হায়রিবা মীওইশিং অদুনা সত্রাম মমাঙ লৈকায়দগী কোন্সম মোহোরি (৪২) অপোকপা কে শামু অমসুং সত্রাম লমখাইদগী চনম্বম সরত (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা সী ঐচ গৌরমনিনি। কে মোহোরিনা এম আর পিগী রেটতা লুপা ৫০০ পীবা সুপর বেগ অমমমদা লুপা ৭৩০দা য়োল্লম্বনি হায়রি। মসিগীদমক মঙোন্দগী সুপর বেগ ২০ ফাগৎখিবনি। অদুগা চনম্বম সরতনা এম আর পিগী মমলদা লুপা ৮৭৫ পীবা পোটাশ অমসুং লুপা ৪৮০ পীবা দাইমন্দবু বেগ অমদা মথংশিংনা লুপা ১,২৫০ অমসুং ১,৮০০দা হেঙ্গৎনা মীয়ামদা য়োল্লম্বনি হায়রি। মসিগীদমক পুলিসকী মায়কৈদগী ঙরাং পোটাশ বেগ ২৪ অমসুং দাইমন্দ বেগ ৫ ফাগৎলকখিবনি হায়রি।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না খোংজোম পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা পীরকখিবা রিপোর্টতা হায়রিবা মীওই অনী অসিনা ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্ট, ১৯৫৫কী সেক্সন ৩না পীরিবা প্রোভিজনশিং অদুবু ভাইওলেট তৌদুনা মীয়ামদা হায়রিবা হার মখলশিং অসি য়োল্লম্বনি হায়রি।

মরম অসিনা ঙরাং পুলিসনা ফাগৎলকখিবা পোটাশ বেগ ১৪, সুপর বেগ ২০ অমসুং দাইমন্দ বেগ ৫ অসি মসিবু মথৌ তারিবা লৌমীশিংদা হারশিং অসিগী এম আর পিগী মমলশিং ওইরিবা মথংশিংনা লুপা ৫০০, লুপা ৮৭৫ অমসুং দাইমন্দগীনা লুপা ৪৫০দা লৌমীশিংদা ওপন সেল তৌদুনা য়োন্থোক্লবা খঙহনখিবনি হায়রি।

ওপন সেল তৌনবগী ওর্দর অসি ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজ এক্ট, ১৯৫৫ কী সেক্সন ৬ (এ) (২) গী প্রোভিজনশিংনা পীবগী মতুংইন্না ওর্দর অসি থোকপনি হায়নসু পল্লি। অদুগা হায়রিবা হার বেগশিং অসি য়োল্লবা মতুংদা মসিবু য়োনবদা চঙবা এক্সপেন্দিচরশিং খায়দোক্লগা লেমহৌরিবা শেনফমশিং অদু হারশিং অসিবু ফাগৎলক্লিবা মপুশিং অদুদা খূৎশিন্ননবসু দি সীনা খঙহনখি। লোয়ননা ওপন সেলদা হারশিং অসি এম আর পিদা য়োন্থোকপগী থবকনা থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরনা পাঙথোকপগা লোয়ননা মসিবু থবক্তা ওন্থোকই হায়বগী রিপোর্টনা থা অসিগী ২২দা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

ইদ-উল-জুহাগী য়াইফ পাউজেল ...

লামায় ১গী মখা... ওফ সেক্রিফাইস, বক্রা ইদ নৎত্রগা ইদ-উল-জুহা হায়দুনা খঙনরিবা মুসলিমশিংগী হোলি ফেষ্টিবেল অসি কৎথোকপা অমগা লোয়ননা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা পাঙথোকপা মুসলিমশিংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ফেষ্টিবেল অমনি। ফেষ্টিবেল অসিনা লাইদা হৌনবা খঙবা উৎপা ওইনা প্রোফেট ইব্রাহিমনা মহাক্কী নুংশিরবা মচানুপা ইস্মাইলবু সেক্রিফাইস তৌনীংবগী ৱাখল্লোন পোকখিবা অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা কুম্মেনি। শেংলবা কুম্মে অসিগী থৌরম অসিদা ঐখোয় পুন্নমক্না ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লৈরম্বা খেন্নবশিং কাউথোক্লদুনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পগী অনৌবা তাঙ্কক অমা হৌবা ওইরসনু হায়রি।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ, দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, হান্নগী লোক সভাগী এম পি ডা. থোকচোম মৈন্য, সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর টি ঐচ সৈত্যবর্ত্ত অমসুং ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী মায়কৈদগীসু ইস্লাম লাইনীং চৎপা মীওইশিং থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুরগী মীতৈ পাঙলশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

নাকল অমরোমদা, মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবগী মায়কৈদগীসু ইদ-উল-জুহাগী কুম্মে লাকপগী মাঙওইননা মণিপুরগী মীয়াম অকক্লনা মুসলিম ফুরুপকী মীওই পুন্নমক্তা কুম্মে অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

মহাক্কী য়াইফ পাউজেল পীরকপা চেরোল অমদা ফেষ্টিবেল অসিনা প্রোফেট ইব্রাহিমনা অলানা পেনবীনবগীদমক মহাক্কী মচানুপা ইস্মাইলবু সেক্রিফাইস তৌখিবা অদুবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লে হায়রি।

লোয়ননা ১৫-ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ য়ূমখাম ইরাবোতকী মায়কৈদগীসু মুসলিম কম্যুনিতিগী খ্বাইদগী চাওরবা অনীশুবা লাইনীং লিচৎকা মরী লৈনবা ইদ-উল-জুহানা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

য়াইফ পাউজেল পীরকখিবশিংগী মনুংদা ৩০-লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ৱাই অন্তাজ খান, মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরসু য়াওরি।

পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১২৭...

লামায় ১গী মখা... ৭, নোনে ৯, ফেরজোল ২ অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১৮নি হায়রি।

লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ১৭ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট -৬, ইম্ফাল ইষ্ট ২, থৌবাল ৩, বিষ্ণুপুর ৩, ককচীং ১, চান্দেল ১ অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৭ অসিগী মনুংদা কো মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইনা ১৫নি অদুগা মীওই ১৭ লৈখিদবা অসিগী মনুংদা য়াওবা মীওই ৪দি কোভিদ ভেক্সিনগী ফর্ষ্ট দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৭ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৪০৯ শুরে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭৩৬নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ৩২৫, রিমস ১৮, জেনিমস ১৩, সী সী সীশিংদগী ১৪৮ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২৩২নি হায়রি। ঙসি থেংনবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১২৭ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীং ৮৬,৭২৩ (জেনরেল পোপ্যুলেসন-৮২,৭৭০, সী এ পি এফ পর্সনেল - ৩,৯৫৩ শুরে হায়রি। রিকোভর তৌখ্রবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৭৫,২৪৭ (জেনরেল পোপ্যুলেসন- ৭১,৩৮৬ অমসুং সী এ পি এফকী পর্সনেল - ৩,৮৬১) শুরে হায়রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা লৈখিবা অপূনবা এক্টিভ কেসশিংগী মশীংনা ১০,০৬৭ (জেনরেল পোপ্যুলেসন-৯,৯৮০ অমসুং সী এ পি এফকী পর্সনেল - ৮৭) শুরে। অদুগা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা রিকোভরি রেটনা চাদা ৮৬.৭৬নি হায়রি। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপকী ১৮৬৪ অমসুং বি টাইপকী ৩৫১নি হায়রি।

ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১০,৬৬,১২৭ (ফর্ষ্ট দোজ - ৯,৪৬,৬৭৫ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ১,১৯,৪৫২) নি হায়রি।

ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা পুং ২...

লামায় ১গী মখা... লোইশিনবা ঙমদুনা মার্চ, ২০১৭তা কম্মিসন তৌখ্রবনি। অদুবু অনীশুবা ফেজগী মনুং চল্লিবা ভঙ্গাইচুংপোদগীনা খোঙশাং ফাওবগী কিলোমিটর ৪৪গী শরুক অসিদি হৌখিবা জুন থাদগী হৌদুনা থা ৮ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লিবনি।

মরক অসিদা রেলৱে লাইন অসিগী ত্রেক্ট লিঙ্কিংগী থবক্তা গুৱাহাটি হায় কোর্টনা অথিংবা থমদুনা মতম খরসু লেপ্লুবা লৈখ্রে। অদুবু কোর্ট অসিগী অথিংবা অদু চৎনহন্দনা থমখিবদগী অমুক হন্না পায়খৎপা হৌরকখিবনি। হৌজিক লাল্লিবা ৱাফমদি অনীশুবা ফেজগী কিলোমিটর ৪৪ শাংবগী রেল লম্বী অসিগী ত্রেক্ট লিঙ্কিংগী থবক অসি লোইশিনগনি হায়দুনা টার্গেট তৌরিবা থা ৮ অসিগী মনুংদগী জুন থা হৌখ্রবা মতুং হৌজিক জুলাইগী থাখায় হেনজি লল্লক্লবসু মতম অসিগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমখ্রে হায়দুনা লৌরগসু মথংগী চহী ২০২২গী নবেম্বর অমসুং ২০২৩গী দিসেম্বর থাদা মথং শিংনা লোইশিনগনি হায়দুনা টার্গেট তৌরিবা ফেজ থ্রী অমসুং ফোরগী খোঙশাংদগীনা টুপুল ফাওবগী কিলোমিটর ২৯গী শরুক অমসুং টুপুলদগীনা অমুক ইম্ফাল য়ৌরকপা ফাওবগী কিলোমিটর ২৬কী অরোইবা ফেজ নম্বর ৪গী থবকশিং অসি নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী মায়কৈদগী থল্লিবা টার্গেট অসিগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বসিনি। অমরোমদা, গুৱাহাটিগী মালিগাওনদা এন এফ রেলৱেগী লৈরিবা ওফিসকী জেনরেল মেনেজর (কন্সত্রক্সন) গী মায়কৈদগী মতম খরগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা মমাঙগী কুমজা ২০২০-২১গী মনুংদা এন এফ রেলৱেনা পায়খৎখিবা রেলৱেগী লম্বী শেম্বগী সিঙ্গল প্রোজেক্টশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী হেন্না শেল চঙবা প্রোজেক্ট অসি জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল ফাওবগী থবক অসিনা ওইখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হায়রিবা রেল লম্বী অসিগীদমক অহানবদা এলোট তৌখিবা বডজেটকী শেনফম অসি লুপা ক্রোর ৮০০নি। অদুবু মমাঙগী শেনবা চহী খক্তদা শেন্ফম থোকপা ফেজ খরগী থবকশিং ইহিং হিংদুনা লৈরগসু লুপা ক্রোর ৮৯৯.৭৬ য়ৌনা চঙখ্রবনি হায়রি।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর...

লামায় ১গী মখা... পিটিস্নর কাউন্সেল সাদন ফরাসটকী ৱাফম তারবা মতুংদা কোর্টনা কম্পেন্সেসন পীয়ু হায়রক্লিবসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকেল ৩২গী মখাদনি হায়খিবগা লোয়ননা কেস অসিগী রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংদা নোটিশ ইস্যু তৌখি। এপেক্স কোর্ট অসিনা ইস্যু তৌখিবা নোটিশ অদু সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগা লোয়ননা লেপমিন্নখিবা কাউন্সেল পুখ্রম্বম রামেসকুমারনা এক্সেপ্ট তৌখি।

লোয়ননা কোর্টনা ঙসি ইস্যু তৌরিবা নোটিশ অসিগা মরী লৈনবা কাউন্টর এফিদেভিটশিং চয়োল অনীগী মনুংদা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরক্লবা দিরেক্সন পীখি। মসিগী মথক্তা কেস অসিগী নাকল অনীমক্কী পার্টিশিংনা মখোয়গী রিটর্ন সবমিসনশিং কোর্ট অসিগী ঈ-মেলগী খূৎথাংদা ফাইল তৌরক্কদবনি হায়বা ৱাফমসু খঙহনখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী ফাইনেল দিস্পোজেলগীদমক অমুক হন্না ওগষ্ট ৬, ২০২১দা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

চীং নীংখাইবদা ট্রক ১ অমাঙ-অতা...

লামায় ১গী মখা... কেবিনগী শরুক্তা নুঙজাউ চীংদগী তাশিল্লকপদগী অকায়-অতোই থোকখিবগা লোয়ননা সিমেন্ট বোরা কয়াসু লৈমায়দা তাখি হায়রি। মফম অদু হৌজিক নোং লেপ্তুনা তাবনা লম্বীদা লাকপা গাড়ি ময়াম ট্রক অদুনা লম্বী ময়াইদা থিংজিন্দুনা লৈবদগী চৎপা য়াদনা লৈরি। ম্যেন স্প্রিং তেকপদগী গাড়ি অদু থৌবা য়াদনা লৈরি। মরক অসিদা হৌজিক তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী এরিয়াদা নোং কন্না তাবা মরম্না নেসনল হায়ৱে অসিগী লম্বীসু দ্রেন লৈতবনা মরম ওইদুনা লম্বী ময়াইদা ঈশিং চেল্লে। মসিদা নত্তনা মচি-মচিদা চীং নিংখাইবদা য়াওরকপা লৈনাংনা গাড়ি থৌরিবা দ্রাইভরশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে হায়রি।

এম য়ুগী মাষ্টর কোর্স (ফর্ষ্ট সেমিষ্টর)...

লামায় ১গী মখা... এক্সটেন্সন, এনথ্রোপোলোজি, বাইও কেমিষ্ট্রি, বাইও টেক্নোলোজি, বোটনি, কেমিষ্ট্রি, কম্মর্স, দান্স, আর্ট, সাইন্স, ইকোনোমিক্স, এদ্যুকেসন, ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজ, এনভাইরোনমেন্টল সাইন্স, ফাইন আর্টস, ফোরেষ্ট্রি, জিওগ্রাফি, হিন্দি, হিষ্টোরি, লোজ, লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স, লিংগুইষ্টিক্স, মণিপুরী, মাস কম্যুনিকেসন, মাষ্টর ওফ কম্প্যুটর এপ্লিকেসন, মেথমেটিক্স, নেসনল সিক্যুরিটি ষ্টদিজ, ফিলোজোফি, ফিজিকেল এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স, ফিজিক্স, পোলিটিকেল সাইন্স, সাইকোলোজি, সোসিওলোজি, সাউথ ইষ্ট এসিয়ন ষ্টদিজ, ষ্টেটেটিক্স, যোগ সাইন্স অমসুং জুলোজিনচিংবা সবজেক্টশিংনি। হায়রিবা মাষ্টর কোর্সশিং অসিগী ফর্ষ্ট সেমিষ্টরদা এদমিসন তৌনীংবা মীওইশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱেবসাইট www.manipuruniv.ac.in দা য়েংবা য়াগনি অমসুং ওনলাইন মোদকী খূৎথাংদা খক্তা এদমিসনগী প্রোসেস তৌগনি অমসুং এপ্লিকেসন ফোর্মশিং অসি য়ুনিভর্সিটিগী কাউন্টরশিংদগী ফংলোই হায়রি।

লোয়ননা ওনলাইন এপ্লিকেসন ফোর্মশিং অদু মেনশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা এপ্লিকান্টশিংনা প্রোসপেক্টস অমসুং ইন্সত্রক্সনশিং চেকশিন্না য়েংবগা লোয়ননা ঙাক্কদবনি হায়রি। ওনলাইন এদমিসন অসিগীদমক অন রিজার্ভ/ও বি সী/ঈ দব্লিয়ু এস কেন্দিদেটশিংগীনা এপ্লিকেসন ফীগী মমল লুপা ৩০০ ওইগনি অদুগা এস টি/এস সী কেন্দিদেটশিংগীনা লুপা ২০০ ওইগনি। হায়রিবা শেনফমশিং অসি দেবিট কার্দ/ক্রেদিট কার্দ/নেট-বেঙ্কিংগী খূৎথাংদা খক্তা ওনলাইন্দা পীগদবনি হায়রি।

হায়রিবা এদমিসনগী ফোর্মশিং অসি ওনলাইনদা সবমিসন তৌবগী থবক থা অসিগী ১৭তগী হৌরে হায়বগা লোয়ননা ওনলাইন এদমিসন ফোর্ম সবমিসন তৌবগী অরোইবা নুমিৎনা ওগষ্ট ১৬, ২০২১নি হায়রি।

বি জে পিগী বোলেরো হুরানখিবা মীওই ১ ফারে, পুলিস রিমান্দ লৌখ্রে, গাড়ী ৭ ...

লামায় ১গী মখা... তোঙান তোঙানবা গাড়ী মখল ৭ রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস এস পিগী ওফিসতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ডা. এস ইবোমচানা থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা পাউমীশিংদা মচা খায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফাগৎলবা মীওই অমসুং মহাক্কী মচিন্দগী রিকোভর তৌরবা গাড়ীশিংগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখ্রে।

এস পিনা হায়, থা অসিগী ১৬তা বি জে পিগী ওফিস গাড়ী (বোলেরো) অসি খক্তা নত্তনা ওফিস অসিগী মমাঙদা খামদুনা থম্বা হোন্দা এক্টিভা এম এন ০১/এ দি - ৮৮০৭ (অঙাংবা মচু) হুরানখ্রে হায়বগী রিপোর্টতগী কেস অনীখক রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। সিটি পি এসনা কেস অনীসি লৌখৎপগা লোয়ননা গাড়ীশিং অসি হুরানখিবদা চেন্নবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীনবগীদমক তোঙান তোঙানবা সী সী টি ভি ফুটেজশিং খোমজিনখি। লোয়ননা সোর্সশিংদগী ইন্টলিজেন্সশিং খোমজিনবগা লোয়ননা এনালিসিস তৌখি।

পুলিসনা খোমজিনখিবা সী সী টি ভি ফুটেজ অদুদগী হুরানবশিং অদুনা গাড়ীশিং অসি হুরানবা মতমদা মারুটি কার (অলটো কে -১০) অমুবা মচু - দব্লিয়ু বি/২০-এ জি/৩২৮৪ শীজিন্নরে হায়বা খঙবা ঙম্লকখি হায়রি।

ইনফোর্মেসন অসিগী মতুংইন্না ঙরাং সী দি ও/ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও সী ইন্সপেক্টর পি অচৌবা মৈতৈ, সিটি পি এসকী ও সী ইন্সপেক্টর এম সুধিরকুমার মৈতৈ অমদি থৌবাল সী দি ওগী টিম মরিনা এস পি মশামক্কী সুপরভিজন মখাদা লিলোং ঈশিং খাইফম হায়রগসু খঙনবা লিলোং অৱাং লৈকায় ইদিগা মনাক্তা লৈবা তরেৎ লৌবুক্তা রেয়দ চথুদুনা য়ুমখাইবম মোসিন (২৩) এলিয়জ এম দি মোসিন এলিয়জ নিংথেম অপোকপা ৱাই নুরজমান, লিলোং হাওরৈবি অৱাং লৈকায় ফাগৎপা ঙমখি। মঙোন্দগী সিলভর মচুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওরমদ্রবা অলটো কার অমা, মখোয়না গাড়ী হুরানবদা শীজিন্নবা লিলোং অৱাং লৈকায়গী ঈশিং খাইফমদগী এম দি অশিক এলিয়জ অতোম্বা (২১) অপোকপা এম দি অলাউদ্দিন কৌবা মীওই অমগী অলটো কার (কে-১০) অমুবা মচু অদুসু ফাগৎপা ঙমখি।

মখা তানা ফাগৎলবা এম দি মোসিনগী মচিন্দগী মখোয়না হুরানখিবা বি জে পিগী বোলেরো - এম এন /০১-এক্স/০৪৩৪ অদুগী মহুত্তা নম্বর প্লেটতা এ এস-০১/বি ঈ-৫১৯৭ হায়দুনা ওন্থোক্লম্বদগী ফাগৎপা ঙমখি। হায়রিবা গাড়ীশিং অসি খক্তা নত্তনা মারুটি জীপসি - এম এন - ০৩/এ-১১১০ অমসুং অলটো কার - এম এন -০৪/এ-১০২৯সু লিলোং অৱাং লৈকায় শন্নুখোংদা লৈবা এম দি অজগর আলি (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি নসিব আলিগী ময়ূমদগী ফাগৎখি। মহাক্না গাড়ী হুরানবা খূৎপু অসিগী মাষ্টর মাইন্দনি হায়রি।

মখা তানা এম দি মোসিননা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না বি জে পিগী ওফিস মমাঙদগী হুরানখিবা এক্টিভা - এম এন - ০১/এ দি-৮৮০৭ (অঙাংবা মচু) অদুসু রিকোভর তৌবা ঙমখি হায়রি।

মরম অসিনা গাড়ী হুরানবদা শিনফম ওইরক্লিবা এম দি মোসিন হায়রিবা মীওই অসি সিটি পুলিস ষ্টেসনন রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৩ (৪) ২০১৭ অন্দর সেক্সন ৩৭৯ আই পি সী অমসুং এফ আই আর নম্বর ৯৯ (৮) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ৩৭৯/৩৪ আই পি সীগা লোয়ননা লিলোং পুলিসনা লৌখৎপা মর্দর কেস অমগা মরী লৈননা ফারে হায়রি।

মসিগী মথক্তা বি জে পিগী বোলেরো হুরানখিবগী মায়োক্তসু সিটি পি এসনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৬ (৭) ২০২১ অন্দর সেক্সন ৩৭৯ আই পি সীগা মরী লৈননা ফাবদগী ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখ্রে। লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী ঙসিদগীনা থা অসিগী ২৬ ফাওবা নুমিৎ ৭নি মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিয়ু হায়জরকপদা কোর্টনসু অয়াবা পীখ্রে।

পুলিসনা রিকোভর তৌখিবশিংগী মনুংদা গাড়ী হুরানবদা শীজিন্নবা খূৎশু খূৎলায় অমদি ছো এক্সত্রাশিংসু য়াওখি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক গাড়ী হুরানবগী কেসশিং অসিগা মরী লৈননা ফাদ্রিবা মীওইশিংনা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ওজা ওইরিবা গেঙ অসিগী মাষ্টর মাইন্দ বোগিময়ূম এম দি অগরআলি (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা নসিব আলি, লিলোং অৱাং লৈকায় শন্নুখোং অমসুং লিলোং অৱাং লৈকায় ঈশিং খাইফম মনাক্তগী এম দি অশিক এলিয়জ অতোম্বা (২১) অপোকপা এম দি অলাউদ্দিননি হায়রি।

অঙাং ১ কিদনেপ তৌরগা থা ৮...

লামায় ১গী মখা... পুলিসকী মায়কৈদগী থা ৮ লোমগী মমাঙদা কিদনেপ তৌদুনা পুখ্রগা লোৎশিন্দুনা থল্লকখিবনি হায়রিবা অঙাং অসিগী খোঙ্গুল লীরকপদা চেন্নরিবা নুপী অসি অঙাং অসিগা কোন্ননা থা অসিগী ১৭কী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তারকপদা ১০শুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমগী মতেংদগী চঙাঙ্গৈগী মফম অমদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

লোয়ননা অঙাং অদুবু মঙোন্দগী রেস্ক্যু তৌরবা মতুংদা রিমসতা মেদিকেল এগজামিনেসন তৌখিবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎখি। অদুগা ফারবা নুপী অসিবুনা মথংগী নুমিৎতা কোর্টতা পুথোক্লগা ঙরাং ফাওবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা থল্লকখিবনি। মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম ঙরাং লোইরদুনা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটতা পুথোক্লগা মহাকপু মখা তানা ঙসি ফাওবগী নুমিৎ নীনিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ অমুক্কসু লৌথখিবনি হায়রি।

অদুবু ঙসি মহাক্কী পুলিস কষ্টদি রিমান্দগী মতম লোইরদুনা শিংজমৈ পি এসকী মায়কৈদগী মহাকপু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা মহাকপু মথং থাগী ৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, পিল্লিবা নুপীমচা অসিগা মহাক্না হান্নদগী খঙনরকপগী খুদোংচাবা লৌরদুনা মহাক্না চীংঙামথক পিশুম হাও গ্রাউন্দদা লৈবা অশানবা কা অমদা লৈরিঙৈদগী হৌনা অঙাং অসিবু পুরগা চৎখ্রবা মতুং থা ৮ চুপ্পা লোৎশিন্দুনা থল্লকখিবনি হায়রি।

অঙাং অসিবু মহাক্না শাংলবা মতম অসিগী মনুংদা খাবৈশোইগী অশানবা কা অমদসু মহাক্না হজিরা শূদুনা লৈরিঙৈদা মমা মচানি হায়দুনা লৈমিন্নরমখি। মসিগী মতুংদা চকপিকারোংদা লৈবা অঙাং অসিগী মরী-মতা অমগী মনাক্তসু চৎলুরগা হল্লকপগী লম্বীদা কম্বাইন্দ টিমনা ফাখিবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী মায়কৈগীদি অঙাং অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা স্কুল চৎপা ফংদবদগী মহাক্না পুদুনা চৎপনি হায়বা ৱাফমসু পুলিসতা ফোঙদোকখি হায়রি।

তমেংলোং অমসুং সেনাপতি দি এল এস এশিংনা ওনলাইন এৱ্যের্নেস...

লামায় ১গী মখা... পীবিগদবনি। হৌজিক মণিপুরদা মনিষ্ট্রিনা শেল থাদবা তোঙান তোঙানবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর ২১ লৈরি। অদুবু সেন্টরশিং অসিগী মনুংদা অমা ফাওবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈতবসি লাইবক থীবনি হায়খি।

মহাক্না হৌজিক দ্রগশিং অসি য়াম্না লায়না অমসুং অহোঙবা মমলদা ফংবা অসিনসু দ্রগ য়ুজরশিংগী মশীং হেনগৎহনবগী মচাক অমা ওইহল্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংগী মশীং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রদুনা দ্রগ শীজিন্নবা মীওইশিংগী মশীং নেহগৎলকপদগী লন্নাই ওইনা চলাইবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংগী মশীং য়ামখৎলল্লিবা অসিসু চপ চাবা রুলস অমসুং রেগুলেসনশিং শেমদুনা মোনিটর তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়খি।

প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা টোপিক অসিগা মরী লৈননা দিস্কসন অৱারদা পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিংগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরকখি। ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা দ্রগ য়ুজরশিংগীদমক চপ চানা লায়েং চথবা য়াবা সেন্টরশিং লৈতবগী ৱাফম য়াওখি। মরম অসিনা ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতসু মিনিষ্ট্রিনা শেল থাদবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং হাংদোকপগী মথৌ তারে হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা তমেংলোংগী দি এ এসগী সেক্রেটেরিসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট কে নিরোজিৎনা পি এল ভি অমসুং লোকল ক্লবশিংনা দ্রগ য়ুজরশিংগী মতাংদা সেন্সিটাইজ তৌবগী থৌদাং লৌবগী মরু ওইবা পনখিবগা লোয়ননা থবক অসিবু পাঙথোক্লবদি দ্রগ য়ুজরশিংবু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়দা পীফম থোকপা ত্রিটমেন্ট পীবা ঙমগনি হায়খি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ), সেনাপতিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা ওনলাইন এৱ্যের্নেস কম ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসিদা দি এল এস এল সেনাপতিগী লিগেল লিটরেসি ক্লবশিংগী মেম্বরশিং, পি এল ভিশিং অমসুং পেনেল লোয়রশিংনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিদা ‘চীফ মিনিষ্টরস কোভিদ-১৯ এফেক্তেদ লাফলিহুদ সপোর্ট স্কিম অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী অঙাংগী তেংবাঙ (বাল সেবা) স্কিম’ হায়বা টোপিক অসিগী মতাংদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী প্রোগ্রাম ওফিসর মালা লিসমনা রিছোর্স পর্সন ওইদুনা ৱা ঙাঙখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী মতাংদা মচা খায়না ৱাখল তাহনখিবগা লোয়ননা স্কিমশিং অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ইলিজিবিলিটি ক্রাইটেরিয়া, মথৌ তাবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং স্কিম অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনচিংবগী মতাংদসু শরুক য়াখিবশিংগী মফমদা ফোঙদোকখি।

প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা মসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মরক্তা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা সেনাপতি দি এল এস এগী চেয়রমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সেসন্স জজ সামোম ইপজেন, দি এল এস এ অসিগী সেক্রেটরি এ তরুনাকুমারি, মাওগী জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস কে এস ঐচ মহেতা, দি এল এস এ, সেনাপতিগী ফ্রন্ট ওফিসকী রিটেনর লোয়র এস মেরিসেনা, পেনেল লোয়রশিং, পেরা লিগেল ভলুন্টিয়রশিং অমসুং সেনাপতিগী লিগেল লিটরেসি ক্লবশিংগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
HL-B/7016/2-31july